# পঞ্জাব বাই ইলেক্সনদা চাওনা মায় পাকপদগী পাকিস্থানদা জেনরেল ইলেক্সন নৌনা পাঙথোক্লবা ইমরান খাননা দিমান্দ তৌখ্রে

লাহোর, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):

য়াম্না মরু ওইরিবা পঞ্জাব এসেমব্লিগী বাই ইলেক্সনদা পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফ পার্টিনা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা মায় পাক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফতা অচৌবা চৈথেং অমা নঙহন্দুনা মহাক্কী মচানুপা হমজা সেহবাজ প্রোভিন্স অসিগী চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী তাবা য়াবগী ফিভম লাকখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিগী লুচিংবা ইমরান খাননা পাকিস্থানদা জেনরেল ইলেক্সন নৌনা পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।



সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর মতুং ইন্না চীফ মিনিষ্টর খনবগী ইলেক্সন জুলাই ২২ দা পাঙথোক্লগনি অমসুং পিটিআই-পিএমএলক্যুগী জোইন্ট কেন্দিদেট চৌধরি পার্বেজ ইলাহিনা পোলিটিকেল মীৎয়েংদা য়াম্না মরু ওইরিবা পঞ্জাব প্রোভিন্সকী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইরবা য়াই হায়রি।

ওফিসল ওইদবা রিজল্ট মতুং ইন্না পিটিআইনা হৌজিক ফাওবদা সিট ১৬ ফংলে অমসুং রুল্লিং পাকিস্থান মুস্লিম লিক-নৱাজ (পিএমএল-এন) না শুপ্পগী সিট অহুমদমক ফঙবা ঙম্লি। ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট অমসু মায় পাক্লে।

পিটিআইগী চিয়ারমেন খাননা নোংমাইজিং নুমিত্তা থাগৎপা ত্বিট অমদা পার্টিগী ৱার্করশিং অমসুং পঞ্জাবকী ভোটরশিংবু পিএমএল-এনগী কেন্দিদেটশিংদা নত্তনা মীচং মীখায় নাইনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিস্থান অমদি হৱাসমেন্ট পীবদা হালেংবা লৈত্রবা পুলিস য়াওনা ষ্টেট মেছিন্নরি অপুন্ববু মায়থীবা পীবা ঙন্বগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা পিটিআইগী মীচংশিং ওইরিবা পিএমএল-ক্যু, মসলিজ-ই-ৱাহাদাটুল মুস্লিমিন (এম দব্লিয়ু এম) অমসুং সুনি ইটেহাদ কাউন্সিল (এসআইসি) বুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদগী লৈবাক অসিদা প্রোগ্রেস লাক্লবগী খ্বাইদগী চুম্বা খোঙথাংদি থাজনিংঙাই ওইবা ইসিপি অমগী মখাদা মীখল মওং মরিল তানা পাঙথোকপা অসিনি। মসি নত্তদুনা অতৈ মথোঙ মরম খঙদবা পান্বেশিং চত্থরকপা তারবদি মদুনা লৈবাক অসিদা পোলিটিকেলগী তং তাদবা হেনগৎলক্কনি অমদি শেল থুমগী কাংখোং চাইবা ফিভমসু হেনগৎলক্কনি হায়না হৌখিবা এপ্রিলদা পার্লিয়ামেন্টদা কনফিদেন্স ভোট অমদা মায়থীবা নঙবদগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী তাখিবা খাননা ফোঙদোকখি।

পিটিআই পার্টিগী সেনিয়র লিদর অসাদ উমারনা ফোঙদোকখিবদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোর কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা খাননা পার্টিগী ষ্ট্রেটেজি লাউথোক্লগনি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পিএমএল-এননা হৌজিক খনবা য়াবা ওপসন অমদগী হেন্না লৈতে। মদুদি খুদক্তা লৈবাক অসিদা মীখল পাঙথোকপগী ৱাফম লাউথোকপা অসিনি। লৈঙাক পায়রিবা সারিফ মচিন মনাওগী পিএমএল-এননা মায়থীবা য়াজ খিবগা লোয়ননা বাই ইলেক্সনদা চাওনা মায় পাকখিবগীদমক পিটিআইগী চিয়ারমেন খানদসু থাগৎখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পোক্স পার্সন মালিক অহমদ খাননা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না মীয়ামগী মেন্দেটপু ইকায় খুম্নে। হৌজিক ঐখোয়না পিটিআই-পিএমএল-ক্যুদা পঞ্জাবকী গভর্ণমেন্ট শেম্নবা হায়রি। জেনরেল ইলেক্সন ঙন্না পাঙথোক্লবা পিএম সেহবাজনা নেসনেল এসেমব্লি মুখৎকদ্রা হায়না হংবদা মহাক্লা হায়খি, মদুদি হিরম অসিগী মতাংদা পিএমএল-এনগী লিদরশিপনা মসিগী মীচংশিংগা তান্নরগা ৱারেপ লৌগনি।

পিএমএল-এনগী ভাইস প্রসিদেন্ট মারিয়ম নৱাজনসু মহাক্কী পার্টিনা মায়থীরে হায়বসি য়াজখি। মায়থীরে হায়বসি ঐখোয়না থম্মোয় শেংনা য়াজরি হায়না পিএমএল-এনগী সুপ্রিম লিদর নৱাজ সারিফকী মচানুপী অসিনা ত্বিট অমদা ফোঙদোকখি।

# শ্রী লঙ্কাগী এক্তিং প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখ্রে

কলম্বো, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):

শ্রী লঙ্কাগী এক্তিং প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা এক্সট্রা ওর্দিনরি গেজেট অমা ইস্যু তৌদুনা ইথৎ লৈবাক অসিদা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী ইম্মর্জেন্সি চৎনহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। লৈবাক অসিনা মীয়ামগী ইৱাং অমসুং শেল থুমগী শাথিরবা ক্রাইসিস অমা মায়োক্লরিঙৈ মরক্তা এক্তিং প্রসিদেন্টনা ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখিবনি।



লোকেল মেদিয়া আউটলেট দেলি মিররনা গেজেট নোটিফিকেসন অদু পল্লদুনা হায়, পব্লিক সেক্যুরিটিগী য়েংলগা, পব্লিক ওর্দর ঙাক শেন্নবা অমদি কম্যুনিটিগী পুন্সিদা মথৌ তারিবা সপ্লাই অমসুং সার্ভিসেস মেন্টেনেন্সকীদমক শ্রী লঙ্কাদা পব্লিক ইম্মর্জেন্সি লাউথোক্লে।

ইম্মর্জেন্সি অদু ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকেল ৪০ (১) (সি) অমদি পব্লিক সেক্যুরিটি ওর্দিনান্স (চেপ্টর ৪০) গী সেক্সন ২ না মঙোন্দা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা প্রোক্লেমেসন অমগী খুত্থাংদা লাউথোকখিবনি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট গোটবয়া রাজাপক্সা ইথৎ লৈবাক অসি থাদোক্তুনা সিঙ্গাপোরদা চেল্লবা মতুংদা রিজাইন তৌখি। প্রসিদেন্ট রাজাপক্সানা অহানবা মালদিবসতা পায়খিবনি। মদু প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা কেপিটেল কলম্বোদা লৈরিবা মহাক্কী ওফিসল রেসিদেন্সতা থোমজিনখিবা মতুংদনি।

শ্রী লঙ্কান পার্লিয়ামেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রসিদেন্সিএল মীখলগী নোমিনেসন চত্থগনি অমসুং জুলাই ২০ দা শ্রী লঙ্কাগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনবগী ইলেক্সন পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখি। মতাং অসিদা পনবা য়াবদি মেন ওপোজিসন লিদর সজিদ প্রেমাদাসাসু প্রসিদেন্সিএল মীখল অসিদা কন্টেষ্ট তৌগদৌরিবনি।

ওপোজিসনগী কেন্দিদেট অসিনা মমাঙদা মহাক্লা শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্টগী মীখলদা মায় পাকপা হায়বসি অরাইবা থবক অমা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, প্রেমাদাসানা অচুম্বনা মমৈ থংদা মায় পাক্কনি হায়বসি থাজবদগী মহাক্লা প্রসিদেন্টগী মীখল অদুদা কন্টেষ্ট তৌগদৌরিবনি হায়না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

শ্রী লঙ্কানা হৌজিক মায়োক্লরিবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অদুদা শেনে দালনা থুমহৎলবা লৈবাক অদুদা শ্রী লঙ্কান চা কয়ানা নুমিৎ খুদিংগী পেট্রোল পম্পশিংদা ক্যু শাংনা লেপ্পা উরিবনি।

# টর্কিনা ইরাক্কী নিনেবে প্রোভিন্সতা দ্রোন ষ্ট্রাইক চত্থবদা কুর্দিস মিলিটেন্ট মঙা শিখ্রে

বাগদাদ, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):

ইরাক্কী অৱাং থংবা প্রোভিন্স নিনেবেদা টর্কিস ফোর্সশিংনা দ্রোন ষ্ট্রাইক চত্থবদা টর্কিগী কুর্দিষ্টান ৱার্কর্স পার্টি (পিকেকে) গী মিলিটেন্ট মঙা শিখ্রে হায়না ওফিসল সোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।



বাগদাদকী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৪০০ রোম লাপ্না লৈবা প্রোভিন্সএল কেপিটেল মোসুলগী নোংচুপলোমদা লৈবা ভিলেজ অমগী মনাক্তা টর্কিস দ্রোন অমনা গাড়ী অমদা এটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা নুপী অমা য়াওনা মদুদা তোঙলিবা পিকেকেগী মেম্বর শিখি হায়না ইরাক্কী কাউন্টর-টেররিজম সার্ভিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

নিনেবে প্রোভিন্সকী গভর্ণর নাজম অল-জাবৌরিনা তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি এটেক্ট অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ২.২০ রোম তাবদা চত্থরকখিবনি।

মোসুলগী নোংচুপলোমদা টর্কিস দ্রোন অমনা সিভিলিয়ন ভেহিকল অমদা বোমগী এটেক্ট চত্থখি অমসুং নুপা মরি অমদি নুপী অমা শিখি। দ্রোন ষ্ট্রাইক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরদুনা অল-জাবৌরিনা হায়খি, মদুদি অসিগুম্বা এটেক্টশিংনা ইরাক্কী প্রোভিন্স অদুগী সেক্যুরিটিগী ফিভমদা শোকহনগনি। ইরাক্কী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এটেক্ট অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবসু মহাক্লা দিমান্দ তৌখি।

ইরাক্কী সেমি-ওটোনোমস রিজন কুর্দিষ্টানদা মরু ওইনা পিকেকেগী মরু ওইবা বেজ ওইরিবা কান্দিল চীংদা টর্কিস ফোর্সশিংনা গ্রাউন্দ ওপরেসন, এয়র ষ্ট্রাইক অমসুং আর্টিল্লরি বোমবার্দমেনশিং তোইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

পিকেকে অসি টর্কি, য়ুএস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না লাউথোকখিবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী লিষ্টতা য়াওরিবনি।

অমরোমদা, ইরাক্কী ময়াই অমসুং অৱাং থংবা শরুকশিংদা থোকখিবা থৌদোক অনীদা ইরাক্কী লান্মী অমা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট (আইএস) গ্রুপকী মিলিটেন্ট অমা শিখ্রে হায়না ইরাক্কী মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।

ইরাক্কী জোইন্ট ওপরেসন্স কন্মান্দগী মেদিয়া ওফিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোরকখিবদা ইন্টেলিজেন্স রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা আর্মি অমসুং পেরা মিলিটরি হাসদ সাবিগী অপূনবা ফোর্স অমনা কেপিটেল বাগদাদকী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৩০ রোম লাপ্না লৈবা টর্মিয়া এরিয়াদা এক্সপ্লোসিব বেল্ট য়াওবা আইএস মিলিটেন্ট অমা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা থোকখিবা অতোপ্পা থৌদোক অমদা বাগদাদকী অৱাংলোমদা কিমি ৪০০ রোম লাপ্না লৈবা মোসুল সিটিগা নক্লবা আর্মি বেজ অমদা আইএস মিলিটেন্টশিংনা চত্থরকখিবা এটেক্ট অমদা লান্মী অমা শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা লান্মী অমনা অশোক অপন নঙলে হায়না আর্মি সোর্স অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখি।

সোর্স অসিনা হায়, এটেক্ট অদুনা মরম ওইদুনা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকখি। ঙাইহাক লৈরগা এটেক্করশিং অদুসু মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি।

# কোভিদকী লাঞ্চং মরক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা আইসোলেসনগী মতম হন্থহল্লোই হায়খ্রে

কানবেরা, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়াদা কোরোনা ভাইরসকা মরী লৈননা আইসোলেসনগী মতম নুমিৎ তরেৎনিদগী হন্থবগী ৱাফম লৈতে হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর এন্থোনি অলবানিসনা ফোঙদোকখ্রে।



অলবানিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক্কী নিংথম থাগী মতম অসিদা কোভিদ কেস মশিং হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা আইসোলেসনগী মতম হন্থনবা খন্নবা হায়বসি মরম চাদে। লৈবাক অসিগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট ওইরিবা ন্যু সাউথ ৱেলস (এনএসদব্লিয়ু) গী প্রিমিয়র দোমিনিক পেরোটেদনা ফেদরেল গভর্ণমেন্টদা আইসোলেসনগী মতম হন্থহনবগী ৱাফম খন্ননবা তকশিনখিবনি।

মদুগী পাউখুম ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর অলবানিসনা হৌজিক্কী লৈরিবা ফিভম অসিদা আইসোলেসনগী মতমদা অহোংবা লাকহন্নবা খন্নগদবা লৈতে হায়খি।

সাউথ ওষ্ট্রেলিয়ন রেদিও ষ্টেসন অমদা ৱা ঙাঙলদুনা অলবানিসনা হায়খি, মদুদি চীফ মেদিকেল ওফিসর প্রোফেসর কেলিনা পীরিবা পাউতাক্তি হৌজিক অসি আইসোলেসনগী মতমদা অহোংবা লাকহন্নবা খন্নবগী মতম নত্তে হায়বসিনি।

মসি হেল্ঠ ওফিসলশিংনা মখা তানা য়েংশিনগদবা ৱাফমনি। তৌইগুম্বসুং হন্দক মতম খরা অসিদা কোভিদ ভাইরস শন্দোকপা হেনগৎলক্লিবসি য়েংলগা ঐখোয়না ইরায় লাইনা হায়বা ঙম্বদি লাইচৎ অসি মখা তানা লাক্লিবা চয়োলশিংদা কনশিল্লকপা য়াই হায়বসিনি অদুনা আইসোলেসনগী মতম হন্থহন্নবা খন্নবা হায়বসি মতাং মতম চাদে।

ওষ্ট্রেলিয়ন মিলিয়ন কয়া কোভিদনা শোকহল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈ হায়না ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা ৱার্নিং পীখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লাক্লিবা চয়োল খরা অসিদা কোরোনা ভাইরস কেস মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াদা অনৌবা কোভিদ কেস ৩৫,০০০ হেন্না রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ২০ হেন্না শিখি। কোভিদ লাইচৎ কনখৎলক্লিবসি লোক খুলাইগী কেসসু লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তনি। খ্বাইদগী নৌবা ওষ্ট্রেলিয়ন ইনফ্লুএঞ্জা সার্ভিলেন্স রিপোর্টকী মতুং ইন্না জুলাই ৩ ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়াদা কনফার্ম তৌরবা ফ্লুগী কেস ১৮৭,৪৩১ লৈখি অমসুং লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ১১৩ শিখি।

# য়ুক্রেন অমদি অতৈ লৈবাক ৬ তা চৎপদা মখা তানা অথিংবা থমখ্রে

সিওল, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):

সেক্যুরিটিগী রিস্ক মখা তানা লৈরি হায়রদুনা য়ুক্রেন অমসুং কনফ্লিক্ট লৈবা অতৈ লৈবাক তরুক অমদি রসিয়া, বেলারস অমদি ফিলিপিন্সকী মফম খরদা চৎপদা মথং চহীগী জনুৱারী লোইবা ফাওবা অথিংবা থম্ননবা সাউথ কোরিয়ানা ৱারেপ লৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়, সেক্যুরিটি রিস্ক লৈরিবা লৈবাকশিংদা সাউথ কোরিয়ন নেসনেলশিংনা চৎপদা থম্লকখিবা অদু জুলাই ৩১দা মতম লোইগদবনি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ট্রাবেল বেন্দ লাউথোকখ্রবা লৈবাক তরুক অদুদি অফঘানিষ্টান, ইরাক, সোমালিয়া, য়েমেন, সিরিয়া অমসুং লিবিয়ানি। সাউথ কোরিয়ানা মখা তানা ট্রাবেল বেন্দ শাংদোক্লবা ৱারেপ লৌরক্লিবা অসিনা শোকহল্লিবদি য়ুক্রেনগী বোর্দরদগী কিমি ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা রসিয়া অমসুং বেলারসকী মফম খরনি। মসিগা লোয়ননা ফিলিপিন আর্কিপেলাগোগী খা থংবা লমদমগী শরুক খরসু য়াওরি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা খোঙথাং অসিগা মরী লৈননা লোকেল সেক্যুরিটি কন্দিসনশিং, সেক্যুরিটিদা অকায়বা লাকপা য়াবগী ফিভম কয়া অমদি টেররিষ্টশিংনা মখা তানা মতম কয়া লমদমশিং অদুদা ওপরেট তৌবা য়াবগী রিস্ক লৈ হায়না পনখি।

# ঘানাদা ইবোলাগা মান্নবা য়াম্না লৌনগনবা মারবুগ ভাইরসকী কেস অনী থেংনরে

আক্রা, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):

ঘানাদা ইবোলাগা মান্নবা য়াম্না লৌনগনবা মারবুগ ভাইরসকী কেস অনী ওফিসল ওইনা কনফার্ম তৌরে হায়না লৈবাক অসিগী হেল্ঠ সার্ভিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



শিখিবা মীওই অনী টেষ্ট তৌবদা ভাইরস অসি পোজিটিব ওই হায়বসি থা অসিগী অঙনবদা খঙলকখিবা মতুংদা লৈবাক অসিনা ভাইরস অসিগী কেস কনফার্ম তৌরে হায়না লাউথোরকপনি।

ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না ঘানাদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিং অদুগী রিজল্টশিং জুলাই ১০ দা লাকখিবদা পোজিটিব ওইরে হায়বসি খঙবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং রিজল্টশিং অদু সিনেগালদা লৈবা লেবোরেটরি অমনা ভেরিফাই তৌরগা তশেংনমক ভাইরস অসিগী কেসশিংনি হায়বসি কনফার্ম তৌবা মথৌ তাখি। ঘাদা হেল্ঠ সার্ভিস (জিঐচএস) না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, সিনেগালগী ধাকরদা লৈবা ইন্সটিট্যুট পাষ্টরদা মখা তানা চত্থখিবা টেষ্টতা রিজল্টশিং অদু কনফার্ম তৌখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুন মখা তানা হায়, জিঐচএসনা আইদেন্টিফাই তৌরবা কন্টেক্ট পুম্নমক আইসোলেসন তৌবা য়াওনা ভাইরস মখা তানা শন্দারকপগী রিস্ক হন্থহন্নবা হোৎনরি। কন্টেক্টশিংদুগী মনুংদা মীওই অমত্তা হৌজিক ফাওবদি লাইওং উৎলকপা লৈত্রি। মসি ৱেষ্ট অফ্রিকাদা মারবুমগী অনীশুবা লাইচৎনি হায়বা য়াই।

লমদম অসিগী ওইনা ভাইরস অসিগী ইহান হানবা কেস অদু হৌখিবা চহীদা গিনিদা থেংনখি। মদুগী মতুং তাবদা মখা তাবা কেস থেংনখিদবনি।

দব্লিয়ুঐচওগী রিজনেল দিরেক্তর ফোর অফ্রিকা মাটসিদিসো মোইতিনা হায়খি, মদুদি ঘানাগী হেল্ঠ ওথোরিটিশিংনা লায়না অসিগী মতাংদা য়াম্না থুনা রেস্পোন্দ তৌদুনা লায়না অসিগী লাইচৎ অমগীদমক্তা শেম শাবা হৌখি। মসি য়াম্না পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা খুদক্তা লৌখৎখিবা এক্সননি হায়বা য়াই।

করিগুম্বা লৈবাক অসিগী ওফিসলশিংনা চেকশিলহৌদবা থোক্লবদি লায়না অসি কন্ট্রোলগী ৱাংমদা শন্দোকখিবা য়াই হায়না মহাক্লা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখি।

দব্লিয়ুঐচওগী মতুং ইন্না সাউর্দন ঘানাগী অসান্টি রিজনগী পেসেন্ট অনীমক দাইরিয়া, ফিভর অমসুং ওবা য়াওনা লাইওং খরা উৎলম্লবা মতুংদা হোস্পিটালদা লৈখিদবনি।

কুমজা ১৯৭৭ তগী মরু ওইনা অফ্রিকাগী খা অমদি নোংপোক থংবা লমদমশিংদা মারবুগকী লাইচৎ তরাগী মথক্তা থোকপা লৈখ্রে। লায়না অসিনা নাবদা শিবগী চাং অসি মমাঙদা থোকখিবা লাইচৎশিংগী মতুং ইন্না চাদা ২৪ দগী ৮৮ ফাওবনি। মসি ভাইরসকী ষ্ট্রেন অমসুং কেস মেনেজমেন্টগী মখা পোল্লি। লায়না অসি হৈরা চাবা, সেকপিশিংদগী মীওইবদা শন্দোকই অমসুং ইনফেক্সন লৈরবা মীওইশিংগী হকচাংগী মহি মনাইশিংগা হকথেংননা শম্নবদগী মখা তানা মী মরক্তা শন্দোকই হায়না দব্লিয়ুঐচওনা হায়রি।

# বাংলাদেশকী মশানা শাজবা কোভিদ ১৯ ভেক্সিন মীওইবদা চাংয়েং চত্থনবগী অয়াবা পীখ্রে

ধাকা, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):

বাংলাদেশকী লৈবাক অসিদা শাজবা অহানবা কোভিদ ১৯ ভেক্সিন মীওইবদা ফেজ ১ গী চাংয়েং চত্থনবগী অয়াবা পীখ্রে।



লোকেল ফার্মাস্যুটিকেল কম্পেনি গ্লোব বাইওটেক্না দিভলপ তৌখিবা বঙ্গাবেক্স কৌবা ভেক্সিন অদু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মমাঙগী চাংয়েং পুম্নমক্কী দোক্যুমেন্ট পুম্নমক রিভিয়ু তৌরবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী মখাদা লৈবা দাইরেক্তরেট জেনরেল ওফ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ক্লিয়ারেন্স পীখিবনি।

গ্লোব বাইওটেক্কী সেনিয়ল ওফিসল অমা ওইরিবা মোহমদ মুহিউদ্দিন্না পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি বঙ্গাবেক্সকী ফেজ ১গী ক্লিনিকেল চাংয়েং পাঙথোক্লবগীদমক্তা ঐখোয়দা অয়াবা পীরক্লে। চাংয়েং অদু মুহিউদ্দিনগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, চাংয়েং অদু ধাকাদা লৈবা বঙ্গবন্দু সেখ মুজিব মেদিকেল য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালদা মশা মউ ফরিবা ভলন্টিয়র ৬০ দা চত্থগনি।

হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা সিঙ্গল-দোজ কোভিদ ১৯ ভেক্সিন অমা ওইরিবা বঙ্গাবেক্স অসি মশা মউ ফরিবা মপুং মরৈ ফারবা পার্টিসিপেন্ট ৬৪ দা হ্যুমেন ট্রাইয়েল পাঙথোক্নবা বাংলাদেশ মেদিকেল রিছার্স কাউন্সিলনা ইথিকেল ক্লিয়ারেন্স পীখ্রবনি।

য়োংশিংদা চাংয়েং তৌবদা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা রিজল্টশিং ফঙখি হায়রদুনা গ্লোব বাইওটেক্না হৌখিবা চহীগী নবেম্বর অমদা ভেক্সিন অদুবু মীওইবদা চাংয়েং তৌনবগী অয়াবা লৌনবা এপ্লাই তৌখিবনি। ভেক্সিন অদু সেলসিয়স দিগ্রি ৪ গী টেম্পরেচরদা থা অমা থম্বা য়াই অমসুং সেলসিয়স দিগ্রি মাইনস ২০ দা থা তরুক ফাওবা থম্বা য়াই।

# সিজ ফায়র মনুংদা হৌথিশিংনা গভর্ণমেন্ট লান্মী ৯ হাৎখ্রে

অদেন, জুলাই ১৮ (এজেন্সী):

হৌখিবা পুং ৪৮ গী মনুংদা হৌথি মিলিসিয়ানা য়েমেনগী লান্মী মাপন হাৎখ্রে হায়না মিলিটরি ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মহাক্লা মিলিসিয়া অসিবু সিজ ফায়র থুগাই হায়না মরাল শীখ্রে।



মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা লোকেল মিলিটরি সোর্স অমনা হায়খি, মদুদি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা সিজ ফায়র হৌথি মিলিসিয়ানা থুগায়খি অমসুং গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা য়েমেনগী সাইটশিংগী মায়োক্তা এটেক্ট কয়া চত্থরকখি।

এটেক্টশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা লমদমশিংদা এক্সপ্লোসিব য়াওবা দ্রোনশিং শীজিন্নবা অমদি আর্টিল্লরি সেল শীজিন্নবা এটেক্টশিং য়াওই হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

সোর্স অসিনা মখা তারদুনা হৌথিশিংনা সিজ ফায়র থুগায়বদগী গভর্ণমেন্ট ফোর্সকী মীওই মাপন হাৎখ্রে অমসুং অতৈ কয়ানা অশোক অপন নঙলে হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

অমরোমদা, এটেক্টশিং অদুগী মতাংদা হৌথিশিংগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। এপ্রিল ২ দগী য়েমেনগী লান শোক্লরিবা পার্টিশিংনা লৈবাক শিনবা থুংনা সিজ ফায়র ঙাক্লদুনা লাক্লিবনি। মপুং ওইনা ট্রুস অদু পার্টিশিংনা ঙাক্তুনা লাক্লি হায়না লৌনরবসু মালেম্না শকখঙবা গভর্ণমেন্ট অমসুং হৌথি গ্রুপনা অমনা অমবু মদুবু ভাইওলেট তৌই হায়না তোইনা মরাল শীন্নদুনা লাক্লি।

হৌথিশিংনা চত্থরকখিবা খ্বাইদগী নৌনা এটেক্টশিং অদু সাউদি অরাবিয়াগী মায়কৈদগী য়ুএননা শীন্দুনা পুরকখিবা ট্রুষ্ট অদু মখা শাংনা চৎনহন্নবগী ৱাফম হৌদোরক্লিঙৈ মরক্তা চত্থরকপনি। ট্রুষ্ট অদু নাকল অনীনা য়ান্নদুনা ওগষ্ট ২ ফাওবা শাংদোকখ্রবনি।

য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী মিদ্দল ইষ্ট খোঙচৎকী পাউখুম ওইনা ইরানন্না শৌগৎপা হৌথি মিলিসিয়ানা মখোয় চহী তরেৎ শুরক্লবা লান অদুগী সিজ ফায়র মখা তানা শাংদোকপগী ৱাফম খন্নবা পামদে হায়না লাউথোকখিবনি।